# চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা এ ভি এফ এ অমদি এন সি ভি এফ সি মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনল্লগা শলাই হোল্ডিং প্রাইবেট লিমিটেদ শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ৪ দগী টিম ২১ না গ্রুপ–৫ থোক্লা খ্বাইদোক্কুনা খুমন লম্পাক তর্প গ্রাউন্দা চত্থরকপা ২১ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৩ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা সাইক্লোন (এ) থাংমৈবন্দ অমদি এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবুংনা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এ ভি এফ এ অকামপাৎনা অম্বা চৈরাপ কোর্টপু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এ ভি এফ এ অকামপাৎনা অঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা অম্বাগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মেটচকী মিনট ৬ চৎপদা অকামপাৎকী জর্সি নম্বর ২ কে প্রেমজিৎনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ৯ কান্নরগা মিনট ১৫ চৎপদা কে প্রেমজিৎনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩১ চৎপদা অম্বাগী জর্সি নম্বর ১৮ রাজেন রাইনা গোল হন্দাক্কুনা গোল ২–১ দা লৈখ্রবসু অকামপাৎকী প্রেমজিৎনা মিনট ৪০ চৎপদা মহাক্কী হেদত্রিক গী গোল অদু চন্দুনা গোল ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

অম্বানা মিনট ৪৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ২৫ এন রোমিওনা গোল হন্দাখ্রবসু মেটচ অসি গোল ৩–২ দা মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসি ৱাই মুহিন্দ্রো,এন জি কেশো,কে ইনাওচা অমদি ৱাই জিতেননা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্ট রেফরি ১,এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৩২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা লীগ মেটচতা এন সি ভি এফ সি চুড়চান্দপুরনা এফ সি ইম্মী গেম ভিলেজ লাঙ্গোলবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী এন সি ভি এফ সিনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্কুনা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোক্কুনা এফ সি ইম্মী গেম ভিলেজ লাঙ্গোলবু লাকশিন্না শান্নখি।

মদুগী হোৎঞ্জমন ফংদুনা মেটচকী মিনট ৫ চৎপদা চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ৭ দোমীনিকনা অহানবা গোল অমদি মিনট ১৮ চৎপদা দোমীনিকনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি গোল ২–০ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা এন সি ভি এফ সি চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ১৭ এস স্প্রিংসন অমদি এফ সি ইম্মী গেম ভিলেজগী জর্সি নম্বর ৪ লালটিংমাদা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি ৱাই জিতেন,কে ইনাওচা,এন জি কেশো অমদি ৱাই মুহিন্দ্রোনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্ট রেফরি ১,এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

## ইপূধৌ নোংশাবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস) ঃ
করাম অৱাং লৈকাই য়ং ক্লব,করামনা শিন্দুনা করাম কাঙজৈবুং লম্পাক্তা টিম ২০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা চত্থরকপা ২শুবা ষ্টেট লেভেল ইপূধৌ নোংশাবা সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা গোপাল এফ সিনা আই ৱাই সি নরানকোঞ্জিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা গোপাল এফ সিগী গোলশিং অদু তোম্বানা মিনট ৩৪,অনন্দনা মিনট ৩৬ অমদি কৈফাবানা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ১ দা চনখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা এম এ এম অমদি এম আর সি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

## ওইনাম চার্লি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস) ঃ
ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল কম্মিটি অমদি ই সি অমসুং শিলো শিংজমৈনা পুন্না শিনলগা ওইনাম রোমেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৮ দগী চত্থরকপা ৫শুবা ওইনাম চার্লি নীংশিং দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা থৌঙম্বা এফ সিনা এম এস এফপু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি ২শুবা গ্রাউন্দা নাইট ক্লবনা এফ দি এস (এ)বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি ৩শুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা অপুন্নবা এফ সিনা সভেন ষ্টার শিংজমৈবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। ঙসিগী অরোইবা মেটচতনা এফ সি লম্লাইনা পি এস দি লংদুমবু গোল ২–০ দা মায়থিব পীখ্রে।

## ষ্টেটকী ব্রুসু চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস) ঃ
ব্রুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ব্রুসু হোলদা ১৯ শুবা ষ্টেট লেভেল সব –জুনিয়র অমদি জুনিয়র ব্রুসু চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

য়ুনিট ৭ দগী লাকপা নুপামচা অমদি নুপীমচা পুন্না শান্নরোই ১২০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকপগী থৌরমদা পি দব্লিউ দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র এন নোরেননা চীফ গেষ্ট অমদি ব্রুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম বিরমনিনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## ৱাই দি সিনা ৱাই দি এবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস) ঃ
ফ্যুচর ফুটবোল কোচিং সেন্টর,এফ এফ সি অঙথানা শিন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ২৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা চত্থরকপা অহানবা য়ুমলেম্বম বিজেন সিংহ মেমোরিয়েল জিলেজ ওপন ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই দি সিনা ৱাই দি এবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই দি সিগী গোল অদু জোন্সন অমদি প্রিতমনা চনখি।

ঙসি ২শুবা গ্রাউন্দা এফ সি লমজাওনা ষ্টার এফ সিবু গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখি।

লমজাওগী গোলশিং অদু কিসন,বিপিনচন্দ্রা,এদিসন অমদি জয়কিসননা চনখি।

৩শুবা গ্রাউন্দা ৱাই এফ সিনা তেকনৌপল এফ সিবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি। ৱাই এফ সিগী গোলশিং অদু দিঙ্কু,বিদিয়াশ্বরনা গোল অমমম অদুগা সুধিরনা ২ চনখি।







# মঙাশুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯ দা তাঙ্খুল এফ সি তেকচম মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস) ঃ
খোংজোম সার্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১দগী তেকচম হয়ার সেকেন্দরি গ্রাউন্দা টিম ২২ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্কুনা চত্থরকপা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা তাঙ্খুল এফ সি তেকচম মায় পাকখ্রে।

৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা তাঙ্খুল এফ সি তেকচম অমদি ইন্দিভর এফ সি ৱাংজিংনা শান্নখিবা মেটচতা তাঙ্খুল এফ সিনা ইন্দিভর এফ সিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা তাঙ্খুল এফ সিনা বোল হেনা পায়রগা শান্দুনা ইন্দিভর এফ সিগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু ইন্দিভর এফ সিনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেটচকী মিনট ২৯ চৎপদা তাঙ্খুল এফ সিগী জর্সি নম্বর ১২ প্রেমনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু তাঙ্খুল এফ সিনা অহেনবা গোল হাপজিন্নবা হোৎন্দুনা ইন্দিভর এফ সিগী শান্নরোইশিংবু দিফেন্সখক্তা মথৌ তৌহনখি।

তাঙ্খুল এফ সিগী জর্সি নম্বর ১১ সহিদুরনা মিনট ৩৯ চৎপদা ইন্দিভর এফ সিগী শান্নরোইশিংগী অহোবগী তঞ্জা লৌদুনা তাঙ্খুল এফ সিগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা গোল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৬ কান্নরগা সহিদুরনা মিনট ৪৫ চৎপদা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। থংন্নবা মিনট ৪৬ দা ইন্দিভর এফ সিগী জর্সি নম্বর ১০ সুরজনা গোল অমা হন্দোকখি।

অদুবু তাঙ্খুল এফ সিগী জর্সি নম্বর ১০ প্রিতমনা মিনট ৪৩ চৎপদা টিমগী মরিশুবা গোল অদু চনলগা গোল ৪–১ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিদা ইন্দিভরগী জর্সি নম্বর ৩ নোংপোকঙানবা, মায় পাক্লবা তাঙ্খুল এফ সিগী জর্সি নম্বর ১২ প্রেম অমদি জর্সি নম্বর ৩ দিপকতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

চত্থরিবা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা টি এফ সি তেকচম অমদি শমফাবী এফ সি সাপমগা শান্নগনি।

## এ এম ৱাই সি অন্দ্রো অমদি পি আর এস সি পৌরাবী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস) ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পৌরাবী রাইজিং ষ্টার ক্লবনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী পি আর সি পৌরাবীগী গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্কুনা চত্থরকপা অনীশুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ভসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ এম ৱাই সি অমদি পি আর এস সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এ এম ৱাই সিনা আর ৱাই সিবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এ এম ৱাই সিনা পোইন্ট ২৫–১৮,২৫–১৭,২৫–১৪ স্কোর তৌখি।

৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা পি আর এস সিনা এম টি টিবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা পি আর এস সিনা পোইন্ট ২৭–২৫,২১–২৫,২৫–১১,২৫–১৯ স্কোর তৌখি।

## মিষ্টর ৱাল্ড অমদি এসিয়াগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২১ (এস এন এস) ঃ
১১ শুবা মিষ্টর ৱাল্ড অমদি ৫৩ শুবা মিষ্টর এসিয়া বোডি বিল্ডিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবগী টিম শেমবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন তেলঙ্গনাদা জুলাই ৬ দগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এসোসিয়েসননা শিন্দুনা জুনগী তাং ৯ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা এসোসিয়েসনগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওফিসতা মণিপুরগী বোদি বিল্ডস খনবগী ত্রাইয়েল পাঙথোক্কনি।

হায়রিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা ইন্দিয়া অম্মী রিক্যুমেন্টগী ওইবা প্রি–সেলেক্সন অমসু পাঙথোক্কনি। রিক্যুমেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা মশাগী চহি ১৮ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা বোদি বিল্ডিংশিংনা মরি লৈন্নবা চে–চাং পুরক্কদবনি। লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী প্লেয়র ত্রান্সফরসু জুন ১ দগী ১৫ ফাওবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফিদা এন এন সি কে এ নোঙ্গেন অমদি ই য়ু এস সি (বি) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মে ২১ (এস এন এস) ঃ
ইষ্ট্রন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শিন্দুনা ই য়ু এস সিগী গ্রাউন্দা থা অসিগী ১৯ দগী টিম ৩১ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্কুনা চত্থরকপা ১৪ শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি লম্লাই অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন এন সি কে এ নোঙ্গেন অমদি ই য়ু এস সি (বি) তেলৌ মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্টকী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এন এন সি কে এ নোঙ্গেননা এন পি ৱাই সি চনাবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এন এন সি কে এগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ অজিৎকুমারনা মিনট ৭ অমদি জর্সি নম্বর ১২ বিরজিৎনা মিনট ২০ দা গোল অমমম চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল ৪ অদুনা জর্সি নম্বর ১৮ উট্টমকুমারনা মিনট ৩১,৩৯ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৮ নাওচানা মিনট ৩৩,৪০ দা গোল ২ চনখি।

মেটচ অসিদা এন এন সি কে এ নোঙ্গেনগী জর্সি নম্বর ৪ দেবাদা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ই য়ু এস সি (বি) তেলৌনা এ এন এন এল কে শাওমবুংবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ই য়ু এস সি (বি) তেলৌগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ বিদিয়াশগরনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৭ দা গোল অমা অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল অনীদুনা জর্সি নম্বর ১৬ লনচেনবনা মিনট ৩৭ অমদি জর্সি নম্বর ২১ পোইরৈনা মিনট ৪০ দা চৎপদা চনখি।

হয়েং অহানবা মেটচতা এফ সি লম্লাই (এ) অমদি এস কে দি সি গা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতনা য়ং বোইজ (এ) অমদি পুপুগা শান্নগনি অদুগা অহুমশুবা মেটচতনা ই য়ু এস সি (এ) অমদি য়ং বোইজ (বি) গা শান্নগনি।

## সেক্তা এফ সি সেমি চঙখ্রে

ইম্ফাল,মে ২১ (এস এন এস) ঃ
এন এল জি নোংপোক লৌরেম্বমনা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ১৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা এন জি এলগী গ্রাউন্দা চত্থরকপা ৪শুবা লাইময়ুম নোংথোন সিংহ নীংশিং মেমোরিয়েল ৭ এ সাইদ কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা সেক্তা এফ সি সেক্তা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিদা সেক্তা এফ সি সেক্তানা দেন্নি এফ সি হৈরোকপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা সেক্তা এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ পি ঐচ হেঙৌনা মিনট ১২ অমদি দেন্নিগী জর্সি নম্বর ৭ মৈরাবনা মিনট ৫৩ চৎপদা আউল গোল ওইনা চনবিখি।

মেটচ অসিদা সেক্তা এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৭ এস বসন্তানা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।




| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com